**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-01-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৯-০১-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৪ ফারে।

২) ভারত্তিয়া জনতা পার্তি(বি.জে.পি)গী নেসনেল প্রসিদেন্ট খন্নবগীদমক মীরেপ চে ঙসি পীশিন্নরগনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গলদা লূপা কোতি ৮৩০ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে। অমৃট ভারত ত্রেন অহুমনা লমথাখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌল্পশিংগী মীওইশিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসননা কোনবা য়ৌরবুং খুনৌ ৱার্দ নম্বর ফোরদগী য়ু.এন.এল.এফকী এক্তিভ কাদর অমা ফারে।

জিলা অসিমক্কী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসননা কোনবা নিউ চেক্কোন এরিয়াদগী এন.আর.এফ.এমগী এক্তিভ কাদর অনি ফাখি। মীওইশিং অসি লুপ অসিগী অনৌবা কাদরশিং রিক্রুট তৌবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিলা অসিমক্কী ইরিলবুং পুলিস স্তেসননা কোনবা কৈরাউ ৱাংখেম মনিং লৈকাইদগী কে.সি.পি-নোয়োনগী এক্তিভ কাদর অমা ফাখি। নুমিৎ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফাল পুলিস স্তেসননা কোনবা বেঙ্গুন লৌকোক ময়াই লৈকাইদগী মীওই অমা হেরোইন নম্বা ফোরগা কোন্ননা ফাবা ঙমখি। মীওই অসিদগী গ্রাম ২৮৩ রোম হেনবা হেরোইন নম্বা সোপ কেস ৬ ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী থৌবাল পুলিস স্তেসননা কোনবা সঙ্গাই য়ুমফম নুংপৌ মথক লৈকাই এরিয়াদগী মীওই অমা নিশা ওইনা শিজিন্নবা য়াবা দেলস্তাল কফ সিরপ ১৩, বেরিকোপ কফ সিরপ বোট্টল ৩৩ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংগা লোয়ননা ফাগৎখি।

তেংনৌপল জিলাগী মচি পুলিস স্তেসননা কোনবা তুইসেন ভিলেজতগী গারি হুরানবা মীওই অনিসু হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মণিপুর পুলিসনা ফাখি। মখোয়দগী রোয়েল এনফিল্ড অমা, রেজিস্ত্রেসন নম্বর য়াওদ্রিবা হোন্দা এক্তিভা অমা ফাখি। মখোয়গী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ঙরাং ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা আইন কাইনা গারি থৌবা মীওই ৩৯ চলান কক্তুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩২ খোমগৎপা ঙমখি।

**ত্রেদর্স(এল)ঃ** প্রোতেক্তিং আৱর মার্কেট ইন এ সস্তেনেবল ইকোনোমি হায়বা হীরমদা হোলসেলদা পোৎ য়োল্লিবা অমদি লৈরিবশিংগী চহীগী ওইবা মীফম ঙসি পাঙথোক্লগনি। ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি মনিপুর কনসোর্তিয়ম ওফ পোতেতো এন্দ ওনিয়ন ফ্রাইটস এন্দ ত্রেদর্সনা শিনবনি। থৌরম অসিদা মণিপুর সরকারগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগকী দাইরেক্তর খুমন্থেম দাইনা শরুক য়াগনি।

**সাহু (এল)ঃ** কেন্দ্রগী হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রি-তোখন সাহুগী নুমিৎ নিনিগী মণিপুরগী খোঙচৎ ঙরাং লোইশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎকী ঙরাং অরোইবা নুমিৎতা শ্রী সাহুনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর-৭ তা চত্তুনা মফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা (অরবান)গী মখাদা শারিবা য়ুমশিং য়েংশিনখি।

মহাকা অতল মিসন ফোর রিজ্‌বিনেসন এন্দ অরবান ত্রান্সফোর্মেসন (অমরুট) টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা পায়খৎপা শলাম প্রোজেক্ট পুখ্রি অচৌবা শেমজিনবগী থবকসু য়েংশিনখি। ককচিং মোরাম্বদা লৈবা মোরাম্বা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট এস.বি.এম সাইটতসু মন্ত্রিনা চত্তুনা য়েংশিনখি। মহাকা মখা তানা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা হাংদোকপা আই.দি.পিশিংগী ষ্টোলদসু চত্তুনা য়েংখি। দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা মন্ত্রিনা উ চারাসু থাখি। মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী মণিপুর খোঙচৎ লোইরদুনা শ্রী তোখন ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

**মেট ঃ** ইন্দিয়া মেট বিভাগনা হায়রি- দেল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা, ছাতিসগর অমসুং বিহার অমসুং উট্টর প্রদেশতা ঙসি লৈচিল কুংনা থাগনি। খা থংবা রাজস্থান, সব-হিমালয়ান, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং সিক্কীমদসু ফিভম অসি মায়োকগনি। হিমাচল প্রদেশ অমসুং উরিষাগী মফমশিংদা লাক্লিবা পুং ২৪ অসিদা কা হেন্না

ইবা মায়োকগনি। জম্মু এন্দ কাশ্মির, লদাখ, গিলগিট-বালতিস্তান, মুজাফরবাদ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী মফমশিংদা পারপা নোং চুবা নত্রগনা উন তারবা য়াই।

**বি.জে.পিঃ** ভারত্তিয়া জনতা পার্তি(বি.জে.পি)গী নেসনেল প্রসিদেন্ট মীখলগী মীরেপ চে ঙসি পীশিন্নরগনি। মীখলগী ভোৎ থাদনবগী ৱাফম পল্লদুনা দল অসিগী নেসনেল রিতর্নিং ওফিসর কে. লক্সমননা হায়-মীরেপ চে পীশিনবগী মতম ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী ৪ ফাওবা ওইগনি। মীরেপচে স্ক্রুতিনিগী থবকা নুংথিল পুং ৪ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মীরেপচে লৌথোকপগী মতমনা নুংথিল পুং ৬ ফাওবনি। দলগী প্রসিদেন্ট মীখল হয়েং পাঙথোক্কনি। মীখলগী ফলসু হয়েং লাউথোক্কুনা বি.জে.পিগকী অনৌবা নেসনেল প্রসিদেন্ট কনানা ওইগদগে হায়বদু খঙগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গলদা লূপা কোতি ৮৩০ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবগা লোয়ননা কোলকতাগা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা শমগদবা অমৃট ভারত ত্রেন অহুম লমথাখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়-কেন্দ্রগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী থবক থৌরমশিং নোংচুপ বেঙ্গলদা পায়খৎলি। চাউখৎপা ভারত অমা ওইবদা নোংপোক ভারতকী চাউখৎ থৌরাংশিংগী থল্লিবা পান্দম অদু ফংনবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা মখা তানা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি।

**ত্রম্পঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু বোর্ড ওফ পিছকী শরুক অমা ওহনা গজাদা তুং কোইবা শান্তিগী ফিভম অমা পুরকবগীদমক অমেরিকাগী রাস্ত্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা বার্তন তৌরকখ্রে। অমেরিকাগী রাস্ত্রপতিনা শ্রী মোদিদা থারকখিবা অইবা চেরোল অদু ভারত্তা লৈরিবা অমেরিকাগী এম্বেসেদর,

সরগিয়ো গোরনা সোসিয়েল মেদিয়ানা থাগৎলকপনি।

চেরোল অদুদা হায়- প্রধান মন্ত্রিবু মিদল ইষ্টকী লৈবাকশিংদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি পুরকবা হোৎনবদা শরুক য়ানবা ইকাই খুমবগা লোয়ননা দোনাল্ড ত্রম্পনা বার্তন অদু তৌরকপনি। মসিনা মালেমগী ওইনা লৈরিবা মুকবশিং লোইশিন্নবগী চংশিল্লকপা খোঙথাং অমা ওইরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হান্নগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন সেন্তরগী লুচিবশিংগা উনররুবা মতুং ইম্ফালদা হল্লকখিবা এ.আই.সি.সিগী সেক্রেটরি অমসুং মণিপুরগী ইন চার্জ খৃষ্টোফর ইম্ফালদা থুংলখিবা, হাউজিং অমসুং অর্বান এফিয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট তোখান সাহুগী মণিপুর খোঙচৎকা মরী লৈনবা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

কুকি আই.দি.পিশিংদগী শেল খোমগৎখ্রগা তুমিন্না লৈশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং ইন্দিগো ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখিবা, দি.জি.সি.এনা লূপা কোতি ২২.২ ফাইন থিহনখ্রে হায়বসিনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি আই.দি.পিশিংদগী শেল খোমগৎখ্রগা তুমিন্না লৈশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, নহারোলগী থৌদাং অমসুং পিপসল ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

খুরাইগী এম.এল.এনা এক্সকেবেতর পুরক্লগা নৌনা শাগৎলিবা স্কুলগী ক্লাস রুম অনি থুগাইরম্লে হায়বসিনা- পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পি লৈঙাকা মণিপুর থৌশাদবনা বোর্দর ফেন্সিং থুদেকপা ঙম্বনি হায়না এ.আই.সি.সিগী সেক্রেটরি খৃষ্টোফর তিলকনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পাউচে অসিমক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুর লৈঙাকা কম্মিসনর লোগী পোষ্টতা কেকু লোৎপী শান্নরব্রা, হৌজিক পোষ্ট অসিগী ওফিসর লৈরিব্রা, লৈত্রগনা করম্বা মতমদা লৈগনি হায়বা পাউ অমসুং মণিপুর লানগী ৱারোইশিন পুরক্তবনা হীরম খুদিংমক্তা শেন্মীৎলোন শোকহনবদা লোক্তাক্কী ঙামীশিং অমসং হী হোনবশিংসু য়াওরে হায়বসিনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হান্নগী চিফ মিনিষ্টর ইম্ফালদা হল্লকখ্রে, বি.জে.পি হাই কম্মান্দনা কৌরকপদগী স্পিকর সত্যব্রট্টা গুৱাহাতিদা পাইশিনখ্রে হায়বসিনা- নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হান্নগী চিফ মিনিষ্টরনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমবগীদমক হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ উনখ্রে হায়বা পাউ-তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মনিপুর খুদুম চন্নবা লান্দারক্লিবা অসি মৈতৈ খক্তদা ইন্তোকপা চুল্লোই হায়বসিনা- সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হাউজিং অমসুং অর্বান এফিয়র্সকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট তোখান সাহুগী মণিপুর খোঙচৎকা মরী লৈনবা পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**